### ৩৮ শুবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট
## তেকচম অমদি এম পি এস সী-বি ক্বার্টর চঙখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২১(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩৮ শুবা মেন্স ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা তেকচম পোলো ক্লব অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-বি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মপাল কাংজৈবুংদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এম পি এস সী-বিনা লিম্থোইঙানবী কাংজৈলূপ-এবু ৫-৪দা মায়থীবা পীখি।

পুলিস টিমগী শান্নরোয়শিংনা অহৌবগী চক্কর অনীখূদুম চন্না শান্নখি। টি প্রদিপকুমারনা অহানবা চক্করগী ১.৫৭তা পুলিস-বিগী অহানবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর লোইরমদাই শান্নবগী ৭.১২দা অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। টিম কেপ্টেন ঐচ অবুং খুমননা অনীশুবা চক্করগী ২.০০দা পুলিস টিমগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা লিম্থোইঙানবী কাংজৈ লূপপু ৩-০দা অনীশুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অহুমশুবা চক্করদা কে স্বর্নানা শান্নবগী ১.০৫দা লিম্থোইঙানবী লূপকী অহানবা গোল চনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা কেপ্টেন দোল্লর সোরামনা শান্নবগী ২.০দা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। উমেশ গুরুংনা শান্নবগী ৬.১০দা লিম্থোইঙানবী লূপকী অহুমশুবা গোল চনখি। টি প্রদিপকুমারনা শান্নবগী ২.৩৬তা মহাক্কী হেটট্রিক গোল চনখিবগা লোয়ননা লিম্থোইঙানবী লূপপু ৪-৩দা মাংজিল থাখি।

অরোইবা চক্করগী শান্নবদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল অমমম্ চনবা ঙম্লখি। এল রোহিটনা শান্নবগী ২.২০দা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ৪-৪দা লৈহনখি। কে ঐচ নোংপোকঙানবনা শান্নবগী ৫.২০দা পুলিস টিমগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনশিন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা এল অতাংবা অমদি টি ঐচ কাওবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা তেকচম পোলো ক্লবনা এম পি এস সী-এবু ৮-৩দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

এস সদানন্দনা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ৫.১০দা তেকচমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অহুমশুবা চক্করগী ২.০০ অমদি অরোইবা চক্করগী ৬.০০দা মায় পাকপগী অহুমশুবা অমদি ৮শুবা গোল চনবা ঙমখি। মুহিন্দ্রো হৈক্রুজমনা অনীশুবা চক্কর লোইরমদাই ৭.১৮দা তেকচমগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা ৪শুবা চক্করগী শান্নবগী ১.০০ অমদি ২.৩০দা গোল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

এম দোরেন অমদি কেপ্টেন পি জোটিননা অহুমশুবা চক্করগী ৩.০৫ অমদি ৪শুবা চক্কর হৌরকপগী ০.০৫দা তেকচমগী মায় পাকপগী ৪শুবা অমদি ৫শুবা গোল চনখি।

পুলিস টিম-এগী গোল ৩ অদুনা ৱাই বিনোইনা অহানবা চক্করগী ০.৫৮ অমদি অহুমশুবা চক্করগী ৬.৩০দা গোল ২ অদুগা টিম কেপ্টেন আই খাবনা অনীশুবা চক্করগী ৬.৫০দা গোল ১ চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা এল তরুন অমদি টি ঐচ জেকোবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎতা অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনী শান্নরগনি।

## লম্লাই এফ সীনা ৭শুবা পুপু কপকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২১(ঐচএনএস): পেরদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবমনা শীন্দুনা পুংদোংবম গ্রাউন্দদা চথরকপা ৭শুবা পুপু কপ লম্লাই কেন্দ্র ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা লম্লাই এফ সীনা ঈ য়ু এস সী তেলৌবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

এন জিতেননা শান্নবা হৌরকপগী ১০শুবা মিনটতা লম্লাই টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনখি। এম সনাথোইনা শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা লম্লাইগী অনীশুবা গোল চনখিবনি।

ৱাই দি সী এল-বি পুংদোংবমনা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফংবা ঙমখি। ৱিন্নর ওইখিবা লম্লাই এফ সীগী জিতেননা মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচ, হেরোজিৎনা বেষ্ট প্লেয়র, এম সনাথোইনা বেষ্ট মিদফিল্ডর অমদি এম সদামনা বেষ্ট গোলকিপরগী মনাশিং ফংখি।

রন্নর্স অপ তাখিবা ঈ য়ু এস সীগী রাকেশনা পূন্না গোল ১১ চন্দুনা তোপ স্কোরর অমদি বেষ্ট ষ্ট্রাইকরগী মনাশিং ফংখি। মহাক্কী টিমমেট কে য়াইমনা বেষ্ট দিফেন্দরগী মনা ফংখি। তাম এফ সী সেক্তাগী আর কে মঙালসনানা য়ঙ্গেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনা ফংখি। মহাক ২০০৯গী মার্চ ৩দা পোকপনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা অথোইবা মীথুংলেন, রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা থৌরম মপূ অদুগা লম্লাইগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচা মৈতৈ অমদি লম্লাইগী এস দি পি ও, এল অমরনাথনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## হিরো আই লীগ : নেরোকানা আইজোল এফ সী থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২১(ঐচএনএস): ওলইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আইএফএফ)না শীন্দুনা চথরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি নুমিদাংৱাইরম খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নেরোকাগী হোম মেটচ অমদা আইজোল এফ সীবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখ্রে।

নেরোকানা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ১৩ শান্নখিবদা ৪ মায় পাক্তুনা ২ দ্রো ওইরগা ৭ মায়থীদুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা টেবলগী ১০শুবা মফমদা লৈরি। আইজোল এফ সীনা চপ মান্নবা মেটচ ১৩ শান্নখিবদা ৪ মায় পাল্লগা ৫ দ্রো ওইদুনা ৪ মায়থীরগা পোইন্ট ১৭ ফংদুনা টেবলগী ৭শুবদা লৈরি।

খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা নেরোকা এফ সী অমদি আইজোল এফ সী অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ২/৩ ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ আইজোল এফ সীগী আর লালথানমাৱিয়ানা শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং মির্জালোল কাশিমোবনা শান্নবগী ৭৬ শুবা মিনটতা নেরোকাগী ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি। টিম অনীনা স্কোর ১-১ লৈরবা মতুং জের্দেন রোনাল্ডো ফ্লেটচরনা শান্নবগী ৮২ শুবা মিনটতা নেরোকাগী গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী নেরোকানা আইজোল এফ সীবু ২-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা শান্নবগী ৮৭ শুবা মিনটতা নেরোকাগী লুনমিনলেন হাওকিপ অমদি আইজোলগী লালচনহিমা সাইলো অনীবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি। রেফরিনা আইজোলগী জেকোব ভনলাল হিমপুইয়াবুসু শান্নবগী ৮৩ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট
## এস এস য়ু অমদি এ কে এস দি ও মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২১(ঐচএনএস): মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শীংজমৈ কক্ৱানা এম পি এ ককচীংবু লাকচনা রন ২৪২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ককচীং টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। এস এস য়ুনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৩৭.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ৩০৭ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা এম পি এ ককচীংনা ওভর ৩৪.২দা ওল আউট ওইদুনা শুপ্পগী রন ৬৫ লৌদুনা এস এস য়ুগী মখূৎতা রন ২৪২দা মায়থীখি।

মেটচ অসিদা শীংজমৈগী বেটসমেন দিঙ্কু জিনা বোল ৪২দা রন ৬৩, এম দি অকিপ হুসেননা বোল ৪২দা রন ৪৯ অমদি রুপাচন্দ্রনা বোল ৩১দা রন ৪১ লৌদুনা বেটিংগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি। এস এস য়ুগী বোলর সাইখোম্বা থোঙাম অমদি সমুরাইলাৎপম দিপানকরনা ওভর ৮/৮ লংবদা ৱিকেট ৪/৪ অদুগা এম পি এগী বিশাল দাসনা চপ মান্নবা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা বোলিংগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

লোইশিল্লকপদা এস এস য়ুগী সাইখোম্বা থোঙামনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা বোল ৩৩দা রন ২৯ অমদি অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাবা ঙমখি।

অমরোমদা, লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এ কে এস দি ও খাঙবোকনা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওবু রন ১১২দা মায়থীবা পীখ্রে।

খাঙবোক টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৭.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৭৩ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা কে আই ৱাই সীনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ১৭.১দা ওল আউট ওইদুনা শুপ্পগী রন ৬১ খক লৌদুনা খাঙবোক টিমগী মখূৎতা রন ১১২দা মায়থীখি।

লোইশিল্লকপদা এ কে এস দি ওগী বোলর লাইশ্রম নিরজনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিংগী ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

## প্রধান ট্রোফি : ব্রদর্স এফ সী, মরুপ এফ সী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী২১(ঐচএনএস): হয়েল গ্রাউন্দদা চথরিবা প্রধান ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ব্রদর্স এফ সীনা আই ঈ সী এ পোরোম্পাৎপু ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ব্রদর্স এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু পিটরনা ২ অমদি আই ঈ সী এগী ব্রিজেশনা আউন গোল ১ চনশিন্দুনা ওইখি। পোরোম্পাৎ টিমগী গোল ২ অদুনা সনাথোই অমদি সোভানা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর মেটচ অমদা মরুপ এফ সীনা মুক্তা এফ সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মরুপ এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নেত্রজিৎ, প্রেমজিৎ অমদি রোইবানা অমমম্ চনবা ঙমখিবনি।

### ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল
## এন সী পি অমদি অপুকো দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২১(ঐচএনএস): হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লব (ঐচএনএসসী) অমদি হাওরৈবী অপূনবা এফ সী অনীনা খূৎশম্নদনা শীন্দুনা হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চথরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা এন সী পি ময়াং ইম্ফাল অমদি অপুকো পোইরৌখোংজিন ৩-৩দা দ্রো ওইখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল টিমগী গোলশিং অদুনা তেজকুমার, রাজেশ অমদি চাওতোননা অহানবা হাফকী শান্নবগী ৪, ৭ অমদি ১৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। পোইরৌখোংজিন টিমগী গোলশিং অদুনা প্রেমানন্দনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৩ অমদি ৩৪ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা শিতলজিৎনা শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা এন সী পিগী য়াইখোম্বা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা অদুগা পোইরৌখোংজিনগী কোরৌ অমদি শিতলজিৎ শান্নবগী ২২ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এফকী মেটচ অমদা ৱর্ল্ড প্রো এফ সীনা ৱাংজিং য়ুনাইটেদপু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাংজিং য়ুনাইটেদকী জয়চন্দ্রনা শান্নবগী ১০ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এল বিনোইনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফতা এন জি পাচানা শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা ৱর্ল্ড প্রো এফ সীগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা মায় পাকখিবা ৱর্ল্ড প্রো এফ সীগী এন জি কাফু অমদি এ কিরঞ্জিৎ অনীবু শান্নবগী ১৫ অমদি ৩৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

### ৪২শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীট
## খুবুংখুনৌ নোবোকোম অমদি চকপীকারোং ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী২১(ঐচএনএস): চকপীকারোং পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪২ শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীটকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা খুবুংখুনৌ নোবোকোম এফ সীনা রালরিংখু য়ুঠ ক্লবপু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

খুবুংখুনৌ টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস পি মোরেষ্ট, আর দি থুংনিং অমদি আর দি জোননা চনখি। রালরিংখুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা দি লাৱিনা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা চকপীকারোং য়ুঠ ক্লবনা তৌপোকপী য়ুঠ ক্লবপু লাকচনা ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

চকপীকারোং টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এন এল ফোলসননা ৪ অমদি বেনোনা ১ চনখি।

## পেরা যোগসনা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২১(ঐচএনএস): মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল পেরা যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২৩ ফেব্রুৱারী ৫দা পাঙথোক্লগনি। কেটগোরি ৪ থোক্না খায়দোক্নদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লক্লি।

## সেনা কপ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২১(ঐচএনএস): দি এস এ ককচীংগী লমজিং মখাদা সেনা এথলেটস ওর্গনাইজেসন (সাও) ককচীং ৱাইরিনা শীন্দুনা ১৮শুবা সেনা কপ অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফেব্রুৱারী ১২দগী পাঙথোক্লগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্লা ফেব্রুৱারী ৩ ফাওবা ওইগনি অমদি মেনেজর্স মীটিংনা ফেব্রুৱারী ৯দা পাঙথোক্লগনি।


## যাদবচন্দ্র হাওবম্না অম্ফাদা রেজিগ্নেসন লেট্টর পীশিনখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী২১(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মথক্তা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ষ্টেট অসিগী ফুটবোলগী ফ্রেটর্নিটিশিং, শান্নরোয়শিং অমদি টিমশিংনা এসোসিএসনগী মথক্তা পূকচেল শেংদবা, ট্রান্সপরেন্সি লৈতবগী এলিগেসন কয়া পাক্তক্লনা তৌখ্রবা মতুং অম্ফাগী বোনাফাইদ এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মেম্বর ওইরিবা যাদবচন্দ্র হাওবমসু ঙসি অম্ফাদা রেজিগ্নেসন লেট্টর পীশিনখ্রে।

মহাক্কী লেট্টর অদুদা পল্লদুনা এসোসিএসনগী বোনাফাইদ মেম্বর অমা ওইরবসু এসোসিএসনগী পাঙথোকপা মীটিং অমদি থবক থৌরমশিংদা অমত্তা খঙহল্লক্তবদগী খোঙথাং অসি লৌরকপনি হায়রি।

ꯒ꯭ꯂꯣꯕꯦꯜ
G ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012
GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA
Many Students were certified and eligible for applying Job
Online or Offline Class Available
Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job
ENROLL NOW
Timing :- 5:30 am, 7:00 am, 9:00 am, 4:00 pm
Computer Course
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.
Admission Open for Jan/Feb 2023
Spoken English
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking, Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)
For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com
HL-B/7933/4/12-3/02

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 694**

**GM M. Amin Tabatabaei (2623) - GM Rasmus Svane (2637)**
**Titled Tue 15th Mar Late chess.com INT (10), 2022.03.15**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.Nf3 d5 | 3.c3 e6 | 4.Bf4 Bd6 | 5.e3 O-O |
| 6.Nbd2 c5 | 7.Ne5 Nc6 | 8.Bd3 Qc7 | 9.Ndf3 Ne7 | 10.h4 b6 |
| 11.h5 Bb7 | 12.h6 g6 | 13.Ng5 Ne4 | 14.Qf3 cxd4 | 15.exd4 Nxg5 |
| 16.Bxg5 Bxe5 | 17.Bxe7 Qxe7 | 18.dxe5 d4 | 19.Be4 Bxe4 | 20.Qxe4 dxc3 |
| 21.bxc3 Rac8 | 22.Qf4 Rxc3 | 23.O-O Rfc8 | 24.Rad1 R3c4 | 25.Qf3 Qg5 |
| 26.Rd7 Rf8 | 27.Rfd1 Qxe5 | 28.Rxf7 Rf4 | 29.Rxf8+ Rxf8 | 30.Qb7 Qf6 |
| 31.f3 g5 | 32.Qxa7 g4 | 33.Qxb6 gxf3 | 34.Qf2 Qg5 | 35.a4 Rf5 |
| 36.Rb1 Qf4 | 37.gxf3 Rg5+ | 38.Kf1 Rh5 | 39. ... | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 693 Ans. :**
18. Nc7+ Kd8 19. Nfxe6+ The white knight deflects Black's pawn away from protecting the square g6. Opening the line from g6 to e8.
Your moves:19.Nxa8
fxe6 20. Nxe6+
Your moves:20.Nxa8
Ke8 21. Bg6# Bishop and knight mate
18. Nc7+ Kd8 19. Ncxe6+ fxe6 20. Nxe6+ Ke8 21. Bg6# 1-0







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com